# কাবুলদা শিবা ২১ গী মনুংদা ফোরেন্নর ১৩ য়াওখ্রে



*কাবুল, জনুৱারি ১৮ঃ* য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বানকিমুননা হায়বগী মতুংইন্না টালিবাননা চথরকপা স্যুসাইদ বোম্বীং এটেক অমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পার্সোনেল ৪ য়াওনা মী ২১ শিখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

রেষ্টুরেন্ট অমদা চথরকপা স্যুসাইদ বোম্বীং এটেক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা ১৩ দি মীরৈবাক মচা ঙাক্তনি হায়বগা লোয়ননা এটেক অদু দিপ্লোমেটিক মিসন কয়ামরুম লৈরিবা শঙলেনশিংগী শরুক অমা ওইবা রেষ্টুরেন্ট অমদা চথরকপনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

কাবুল পুলিস চিফ মুহমদ জাহিরিনা হায়বদা ঙরাংগী স্যুসাইদ এটেক অদুদা মীরৈবাক মচা ১৩ গা অফগান মচা ৮ গা শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

শিখ্রিবশিং অদুগী মনুংদা মরিদি নুপী ঙাক্তনি হায়নসু আফগান দিপ্যুটি ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। য়ু এন ওফিসিয়েল অমনা হায়বদা এটেক অদুগী মতুংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা থবক তৌবা ইমপ্লোয়ি ৪ শু মফম খঙদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টর্নেস্নেল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) গী চিফ খৃষ্টাইনা লাগারদেনা হায়বদা, আফগানিষ্টানদা আই এম এফকী রেসিদেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ ওইবা অমসু শিখিবশিংগী মরক্তা য়াওখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোন্না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বানকি মুননা ঙরাংগী থৌদোক অদুবু খ্বাইদগী কনবা ৱাহৈনা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মীচমশিংগী মায়োক্তা অসিগুম্বা এটেক চথবা অসি য়ানিঙাই ওইদে। মসি ইন্টর্নেস্নল হ্যুমেনিটরিয়ন লো খোঙ্গাওনবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বাননা হায়খিবদা, অসিগুম্বা এটেকশিং মীরৈবাক মচাশিংদা অতম্লনা চথবা মরমনা খুদক্তা তোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ঙরাংগী এটেক অদু টালিবাননা চথবনি হায়না ক্লেইম তৌরকখ্রে। ৱাজির অকবর খানদা নুমিদাংগী পুং ৭.৩০ তাবদা চথখিবা এটেক অদুগী মতুংদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌওং অমসু থোকখি।

স্যুসাইদ এটেক চথরকখিবা রেষ্টুরেন্ট অদুগী মপু লেবানন্দ মচা অদুসু শিরিবশিংগী মরক্তা য়াওখ্রে হায়না পুলিস চিফ অমনা ফোঙদোকখ্রে। বৃটিশ এম্বেসিনা হায়খিবগী মতুংইন্না শিখিবশিংগী মনুংদা বৃটিশ মচা অমা য়াওখি হায়বা পাউ লৈবদগী কন্না থিজিল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

টালিবান ৱাঙাংলোই জাবিউলাহ মুজাহিদনা হায়বগী মতুংইন্না, এটেক চথখিবা মতম অদুদা মফম অদুদা মীরৈবাক মচাশিং লৈখি হায়না ফোঙদোরকখি।

কাবুলদা লৈবা জর্মন ওফিসিয়েলশিংনা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াদ্রবসু অহানবগী ওইনা ফংবা অকুপ্পা ৱারোলশিংদি শিখ্রিবশিংগী মরক্তা জর্মন ওফিসিয়েলশিংসু য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

রেষ্টুরেন্ট অদুদা মথৌ তৌরম্বা ফোরেন্নরশিংগী খুৎলায় পায়বা গার্দশিংনা এটেক্কর অদুবু রেষ্টুরেন্টতা চঙহন্দনবা থিংখি হায়রি।

থা অসিগী মনুংদা সিটি অসিদা চথরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা মরিরক শুবা ওইরিবা এটেক অসি মীরৈবাক মচাশিং য়াম্না লৈবা কাবুলগী রেষ্টুরেন্ট অমদা চথরকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদদি হৌখিবা চহি খরগী মনুংদা ঙরাংগী অসিনা অহানবা ওইখি।

# লম্বোইবী অমা অঙাং উন্নখ্রে

*রিটি, জনুৱারি ১৮ঃ* ইটলিগী ময়াই থংবা সিটি অসিদা খৃষ্টান লম্বোইবী অমা মচানুপা অমা পোকখিবগা লোয়ননা মমাংদা মহাক্না মীরোল্লে হায়বা শুকখঙ খঙখিদে হায়খ্রে হায়না লোকেল মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহি চহ ৩১ শুরবী নন অসি মবুক নারকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎখি। মতম অদুদা মহাক্তি মবুক লেঙবা ওইরবোই নিংখি হায়রি। এল সালভাদোরদগী চহি নৌরিবী মমা অসিনা পোকপদা ঙাইরিবা মচা অদুবু হৌজিক ওইরিবা পোপকী মমিং লৌদুনা ফ্রান্সিস হায়না থোনখ্রে হায়রি।

রিটিগী মেয়োর সিমোন পেত্রাঞ্জেলিনা মীয়ামদা নুপী অসিগী লনাই অরোনবশিংবু ইকাই খুম্ননবা আপিল তৌখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা মরম ওইদুনা মীকোক ৪৭,৭০০ খক্তমক লৈবা ভেটিকান সিটিদা মালেম পুন্নমক্কী পুক্লিং চিংশিনখ্রে। হৌখিবা য়ুশকৈশাগী অয়ুক্তা নন অসিনা এম্বুলেন্স অমা কৌখি। পুং খরা লৈরগা টিক–টিক লাউবা মচানুপা অমা ফংখি। অন্সা নিউজ এঞ্জেন্সিনা নুপী অসিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়বদা মহাক্না মশা মীরোল্লে হায়বা খঙখিদে। পুক্তা অনাবা অমদি ফাওখি হায়রি।

হোস্পিটাল অদুদা মীয়াম্না নুপী অসিগী নৌনা ফংলিবা মচা অদুগীদমক ফি–রোলশিং দোনেট তৌরকখ্রে হায়নসু ইটলিগী মেদিয়ানশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপী অসি রিটি মনাক্তা লৈবা কনভেন্ট অমদা লৈবনি। মহাক্কা লৈমিন্নবী ননশিংনদি পাউ অদু তাবদা অঙকপা ফাওখি হায়রি।

লোকেল পাষ্টর দোন ফাব্রিজিও বোরেল্লোনা হায়বদা, নুপী অদুনা হোস্পিটালদা মশা মীরোল্লে খঙদনা লাকখিবনি হায়বদু অচুম্বা ওইরমগনি খল্লি হায়খি।

# শো মনুংদা সেট তেক্লকক্তুনা মীয়াম ননখ্রে



*লণ্ডন, জনুৱারি ১৭ঃ* নোর্ঠ লণ্ডনগী মফম অমদা এক্রোবেটিক শো অমা পাঙথোক্লিঙৈদা সেটকী শরুক খরা তেকথরক্তুনা য়েংলিবা মীয়ামদা ননখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

কুক্সে নুংঙাইনবগীদমক য়েংলিবা মীয়াম্বু ফার্ফোমেন্স পীরিবশিংগী মখাদা চংনবা হায়বদগী মীয়ামনা চৎলিঙৈদা সেটকী শরুক খরা তেকথরকখিবনি হায়রি।

ঙরাং অহিং ফেরজা ব্রুটা শো অমা কেমদেনদা লৈবা রাউন্দ হাউসতা পাঙথোকখিবনি। থৌদোক অদুবু উহৌবা ষ্টিব জোন্স (৬৮) না হায়বদা মখাদা লৈরিবা টেক্নিসিয়ানশিং অমদি মীয়ামগী মথক্তা খল্লিবা সেল অদু তেকথরকপদা মীওই অহুম শোকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লণ্ডন এম্বুলেন্স অমনা মখোয়বু রোয়েল ফ্রি হোস্পিটালদা পুশিনখি হায়রি। রাউন্দ হাউসকী ৱাঙাংলোই নুপী অমনা হায়বদা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা শো অদু থাংজগী অহিংদা অমুক উৎনবা থৌরাং তৌখি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদু থোকখিবা শিন অদুদি লৌথোক্লবা য়ানখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফের্জা ব্রুটাগী ৱেবসাইটতা শো অদু অয়েংবশিংগী পুক্লিং তুজুং মাঙ্গুংনা নুংঙাইহনবা ইন্টর্নেস্নেল থিয়েটিক্রেল শো অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

শো মনুংদা মথক্তা এক্রোবেটশিংনা চোংদুনা–পাইদুনা শান্নরিঙৈদা অয়েংবা মীয়াম্বু মখাদা চংশিন্দুনা য়েংনবা খঙহনখি হায়রি।

মতম অদুদা অরেংবা সেট অদু শরুক খরা তেকথরক্তুনা মীয়ামগী মথক্তা তারকখিবনি হায়রি।

রাউন্দ হাউসনা থৌদোক অসিগী মতুংদা হায়খিবদা ঙরাং অহিংগী নুংঙাইরবা ফের্জা ব্রুটা পার্ফোমেন্স অদু উবা ফংহৌদবশিংনা ৱারৌবীগনু অদুগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ঐখোয়না শোয়দনা কন্টেক্ট তৌরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

তেকথরক্লবা সেট অদুগী মখাদগী মীয়ামনা নাম্থোক্লবা হোৎনবদা ঈনা তপ্পা হোৎনখিবা অদুগা সিক্যুরিটি সার্ভিস ফজখিবা মরমনা কা হেন্না অশোক অপনদি থোকখিদে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি আর্জেন্টিনাগী এক্রোবেটিক শো অসি ব্যুনোস এরিজদা ইং ২০০৫ দা ইহান হান্না উৎলবা মতুংদা মালেম থুংনা উৎলকপদা লণ্ডনদা শো ১০০ শুনা উৎনবগীদমক মমাং চহিগী দিসেম্বরদা হঞ্জিল্লকপনি হায়রি।

# আই এ ই এ টিম ইরানদা থুংখ্রে


*বৈরুট, জনুৱারি ১৮ঃ* ইন্টর্নেস্নেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) গী টিম অমা ঙসি টেহরানদা থুকংখ্রে হায়বগা লোয়ননা শিংথানিঙাই ওইরবা ন্যুক্লিয়ার দিল অমবু থবক ওন্থোক্লবগী ময়কৈদা মসি অচৌবা খোঙথাং অমনি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মমাং চয়োলদা মালেমগী পৱার নেসন ৬ কা ইরানগা য়ানদুনা ফাইনেলাইজ তৌখিবনি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

ন্যুক্লিয়ার ইঞ্জিনিয়ার মাসিমো অপারোনা লুচিংবা আই এ ই এগী ইন্সপেক্টরশিংগী টিম অসিনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী এজেন্সি অসিদা রিপোর্টশিং থাবা হৌরগনি হায়নসু ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী পাউগী এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ানরোল অসিগী টার্মশিংগী মখাদা ইরাননা লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী শরুক খরদা থবক লেপ্পগা ইন্টর্নেস্নেল সেঙ্কসন খরদগী কোমথোকপগা ওন্নবা য়ানখিবনি। পনবা য়াবদি ইন্টর্নেস্নেল সেঙ্কসনশিং অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং লৈরবনি। আই এ ই এ টিম অসিন অহানবা ওইনা নাতাঞ্জ অমদি ফোরদো ন্যুক্লিয়ার ফেসিলিটিশিংদা হান্না চৎকনি। অদুগা মফমশিং অসিদা লৈরিবা এনরিচ য়ুরেনিয়মশিংগী চাদা ২০ দাইলুট তৌহন্নবগী থবক পায়খৎহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

# ফালুজাহদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিং কনখৎলক্লি



*বাগদাদ, জনুৱারি ১৮ঃ* সিটেশিংনা লুচিংবা ইরাক্কী গর্ভনমেন্টনা লৈবাক অদুগী ত্রাইবেল মীয়ামদা অলকাইদা অমদি অতৈ লুপশিংবু তাম্থোকখিনবা কন্না তকশিল্লিঙৈ চৈরক্তা লুপশিং অসিনা হৌজিক ফালুজাদা খোঙফম হেন্না চেৎশিল্লক্লে হায়না ওফিসিয়েলশিং অমদি ফলুজাদা লৈবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

আর্মিনা লাঙ্গোই চন্দুনা থল্লবসু লালহৌবশিং অমদি খুৎলায়শিং সিটি অসিদা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লি। সিটি অসিদা য়ু এস লান্মীশিংনসু ইং ২০০৩ দগী ২০১১ ফাওবা ইরাক্তা লৈরিঙৈদা লালহৌবশিংগা য়াম্না কন্না খুৎ থোক্লবা লানফমশিং থেংনখিবনি।

খুৎলায় পায়বা লালহৌবা মিল্লিয়ন অমরোম লৈরিবা লৈবাক অমদদি ওইরিবা ফিভম অসি পেন্নিঙাই ওইদে। অলকাইদাগা শম্নবা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ লেভান্ট (আই এস আই এল) অমদি মখোয়গী ত্রাইবেল এলাইশিংনা হৌখিবা জনুৱারী ১ দা রামাদি সিটিগী মনাক্তা লৈবা মফম খরা অমদি ফালুজাবু পায়শিনখিবনি।

অহুম্লকশুবা টার্ম অমা থৌ পুনবা হোৎনরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নুরি অল মালিকিনা মীকোক ৩০০,০০০ রোম লৈবা সিটি অসিদা লান্মীশিং অমদি টেঙ্কশিং থাজিনখ্রে। অদুগা অলকাইদাবু য়াদবা ত্রাইবেল মীয়ামদা খুৎলায়শিংসু পীশিনখ্রে।

অদুবু মিলিটরি এসোল্ট অমা মপুং ফানা চথবগী ৱাফমদি গভর্নমেন্ট অসিনা খন্নদ্রি হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেলদা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা হায়খিবা ৱারোলশিং পল্লদুনা ৱাশিংটন পোষ্টনা হায়খিবদা হৌজিক ফাওবদা লান্মী অমদি পুলিস পুন্না ৮০ শিখ্রে। অদুগা মীচম ৮০ গা লালহৌবা ১৫০ রোম হেনবসু শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

পাক চাউখ্রবা অনবার প্রোভিন্সকী কোনুং ওইরিবা রামাদি অসি অয়াম্বা মতমদদি গভর্নমেন্টকী কন্ট্রোলদা লৈরকপনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা বাগদাদকী নোংচুপতা কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা ফালুজাদগী মিলিটেন্টশিং তাম্থোকখিনবা তকশিনখ্রবনি।

অদুবু লালহৌবশিং তাম্থোকখিবগী মহুৎতা হৌজিক আই এস আই এল ফাইটর কয়ামরুম অপিকপা অমদি অচৌবা খুৎলায়শিংগা লোয়ননা চংশিল্লকপা লেপ্প্রি হায়নসু ত্রাইবেল লুচিংবশিং, সিক্যুরিটি অমদি লোকেল ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

# য়েমেন এটৈকতা দিপ্লোমেট শোক্লে

*কাইরো, জনুৱারি ১৮ঃ* য়েমেনগী কোনুং সানা আদা ইরানগী দিপ্লোমেট অমা কার তোংদুনা চৎলিঙৈদা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথরকপদগী শোকখ্রে হায়রি।

অঙৌবা কার অমদা লাকপা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা খা থংবা সানা আগী শর্মিলা দিষ্ট্রিক্টতা দিপ্লোমেট অদুদা নোমৈনা কাপশিল্লকখিবনি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

শোক্লবা দিপ্লোমেট অদু অরুবা ফিভমদা হোস্পিটাল অমদা পুশিনখ্রে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ওফিসিয়েল ওইবা ৱারোলদি অমত্তা থোক্লক্ত্রি। পনবা য়াবদি য়েমেনদা লৈবা ফোরেন ইন্টরেষ্টশিংগী মায়োক্তা মমাংদদি অসিগুম্বা এটেকশিং অমদি কিহনবগী থৌদোকশিং কয়ারক থোকখ্রবনি।

# সিরিয়াদা ইরাং নেমথরকপগী খুদম খরা উরে



*দমাস্কস, জনুৱারি ১৮ঃ* থা ১৫ রোম হেন্না খুৎ থোক্লবগী অকনবা থৌদোকশিং উদুনা লাক্লবা দমাস্কসকী অৱাংদা বার্জেহগা তাইনরিবা মফমশিংদা হৌজিক খুৎ থোক্লরিবা কাংবুশিং য়াশিন্নরকপা য়াবগী খুদম খরা উরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক্কী মফম খরদদি ইং তপ্পা ৱাকৎ–খোঙজংশিং হেক চথবগা খুৎলায় পায়বশিংনা খুৎ থোক্লবা অদুগা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনসু কন্না তকখাইবগী থৌদোকশিং হেক–হেক থোকপনি।

অদুবু বার্জে অল বলাট ভেল্লি অমদি এলাৱিটেনচিংবা মফমশিংদদি প্রসিদেন্ট বসার অল অসাদপু শৌগৎপশিংনা য়ানবা অমা পুরক্লবা খোঙথাং লৌখৎলকখ্রে হায়রি।

গভর্নমেন্টনা মখোয়গা ওনশিন্নরিবা খুৎলায় পায়বা লুপশিংগা য়াশিন্নবা অমা পুরক্লবা ৱাফম হৌদোকরকপদগী ফ্রি সিরিয়না আর্মি (এফ এস এ) না মখোয়গী অচৌবা খুৎলায়শিং হন্দোক্লিংবগী ইঙ্গিৎ পীরকখ্রে। মরুওইনা টেঙ্কুম্বা মখোয়না গভর্নমেন্টতগী খুৎলায়শিং হন্দোক্লগা মখোয়বু সিভিল পুলিস ওইহনবীনবা ৱাফম পুখৎলকখি হায়রি।

ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নরিবা মীওইশিংবু মশা–মশাগী লমদমশিংদা হনখিবা য়াহল্লকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনসু ফাজিন্দুনা থল্লুবা মীওইশিং থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

বার্জেগী চেক পোইন্টশিংদা হৌজিক্তি ফোর্সশিং অসি চপ মান্নবা চিঞ্জাক চামিন্নদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হৌরে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অদুবু মায়কৈ অনিমক অসি মমাংদদি নোংমৈ কাপ্পবা অমদি অমনা অমবু হাৎনবগী থবক কন্না চথখিবনি।


অতোপ্পা মফমশিংদদি খুৎলায় পায়বা লুপশিংবু চংজরক্লবগীদমক চরা হেলহনবগী থৌশিল চথরি হায়বগা লোয়ননা মঙক কনবা লুপশিংদা চান–থক্লবা পোৎলমশিং য়ৌহন্দবগী থবক চংশিল্লি হায়রি।

য়ারমোকতা অঙাংশিংসু য়াওনা মীচম ৫০ হেন্না চরা হেনবদগী শিখ্রে হায়রি। অমরোমদা বারজেদা য়ানবা অমা পুরকপা য়াবগী তাঞ্জা লাক্লিবসি গভর্নমেন্টকী ওইনদি মতাং য়াম্না চাই হায়রি।

মালেমগী ওইবা অপুনবা থৌশিল অমা য়াওদ্রবসু য়াশিন্নবগী ফিভম পুরকপা ঙমগনি হায়বগী পাউজেল অমা জেনেভাদা পীবা ঙম্লগনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি সিরিয়াদা য়ু এন পিছ কিপ্পরশিং থাজিল্লকপগী ৱাফম হৌদোরকপা হায়বসি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট বাসির অল অসাদনা শুকপাম পামদবনি হায়নসু য়ু এন ওফিসিয়েল অমনা দমাস্কসতা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# অখাক অরাওনা রাইওগী খৃষ্টতগী মুর্টি খুবি ককখ্রে



*রাইওদিজেনিরো, জনুৱারি ১৮ঃ* রিদিমর খৃষ্টতা হায়রগা খঙনবা রাইও দি জেনিরোদা খিনবা যীশু খৃষ্টকী মুর্টি অদুগী য়েৎথংবা খুবিগী শরুক অখাক অরাও য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদা তারকপা বজ্রনা ককখ্রে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মিটর ৩৮ (ফিট ১২৫) ৱাংবা মুর্টি অদুগী য়েৎ থংবা খুবি অদু হৌখিবা শগোলশেলগী অহিংদা থোকখিবা নোং নুংশিৎ অমদা তারকপা বজ্রনা ককৎখিবনি হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মুর্টি অসিবু পান্নরিবা আর্কদাইওসিজ ওফ রাইওগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা ককখিবা খুবি অসি শেমজিন–শাজিনবগী থবক পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি মুর্টি অসি চহি খুদিংগী মালেমগী মফম পুন্নমক্তগী মীওই মিল্লিয়ন ২ রোমনা য়েংবা লাক্লবনি। শগোলশেল নুমিৎকী নোংলৈ অদু ব্রাজিলদা নোংলৈ–নুংশিৎশিংবু মোনিটর তৌবগী খোঙথাং ইং ১৯৯৯ দগী হেক হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা রেকোর্দ তৌখিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না বজ্র তাবা নুমিৎ অমসু ওইখি। নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর স্পেস রিসার্চ (ইনপে) না হায়খিবদা মুর্টি অসি চহি খুদিংগী চাংচৎতা বজ্রনা অহুম্লক্তগী মঙারক ফাওবগী চাংদা পানবনি।

মুর্টি অসি রাইওগী মাউন্ট কোরকোভেদো চীংদোলদা ইং ১৯৩১ গী ওক্টোবর ১২ দা খিন্দুনা ইনোগুরেট তৌখিবনি। মুর্টি অসি ইং ২০১০ দসু অমুক রেষ্টোরেসন তৌবদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৪ চংখিবনি। মুর্টি অসি মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা আর্ট দেকো–ষ্টাইল স্কলপচরনি হায়নসু লৌনরি।

# ইন্দোনেসিয়াগী ঈচাওদা শিবা মশিং ২৩ শুখ্রে, মীওই লিশিং কয়া লৈফম লৈত্রে

*জাক্রাতা, জনুৱারি ১৮ঃ* ইন্দোনেসিয়াদা নুমিৎ কয়ানি ঈচাও অমদি লেম্লাইদগী চৈথেং নংলকপদগী শিখিবা মীওই মশিং পুন্না ২৩ শুরে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

জাক্রাতা লৈবা ইমুংশিংগী মীয়ামনা থজিন য়ৌবা অনৈবা ঈশিংগী ঈচেল মরক্তা মপোৎ–মচৈশিং পুদুনা শোইরোইদবা মফমশিংদা চেন্নখি।

খরনা রব্বরগী দিঙ্গিশিংদা তোংদুনা চেন্নবা টি ভি প্রোগ্রামশিংদা উবা ফংই হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

জাক্রাটাগী ওইনা ঈশিংদা ইরাক্লবা অদুগী ইলেক্ট্রিক্টনা চিংবদগী মীওই ৫ শিখ্রে হায়না নেস্নেল দিজাষ্টর মিটিগেসন এঞ্জেন্সিগী ৱাঙাংলোই সুতোপো পুরও নুগ্রোহোনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক্কী কোনুং অসিদগী ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৪৩০০ লোমসু ময়ুম–মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা ঈশিং য়ৌদবা মফমশিংদা চখোক চৎশিনদা কা হেন্না অকাইবা থোক্লে।

ঙরাং ইরাই নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা শিবগী মশিং অসি ১৮ ওইখিবনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা মীওই অনি মফম খঙদ্রি হায়বগা লোয়ননা য়ুম ১০০ রোমদি য়ুম্ফম য়াওনা ফুক্কখ্রে হায়রি।

# বোম পোকখাইখ্রবসু ইরাং হল্লোইদৌরি

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ১৮ঃ* থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবশিংগী মরক্তা বোম লংশিল্লকপদগী মীওই অমা শিরগা কয়ামরুম্বু শোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদসু প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী গভর্নমেন্ট ইম্থুনবা দিমান্দ তৌরিবা ৱাকৎলোইশিংনা হনবা লৈতনা ঙসিসু বেঙ্কোক্তা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে হায়রি।

বোম পোকখাইদুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা অদু গভর্নমেন্টকী খুজিল থৌরাংনি হায়নসু ৱাকৎলোইশিংনা মরাল শীখিবনি।

রেল্লি অমদা গ্রেনেদ এটেক চথরকপদগী উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলকপগা লোয়ননা ৱাকৎ ঈহৌ অসি হনবা লৈতনা চংশিনখিগনি হায়না ওপোজিসন লিদর সুথেপ থাউংসুবাননা ফোঙদোকখিবনি।

পিপলস দেমোক্রেটিক রিফোর্মস কম্মিটি (পি দি আর সি) গী মকোক অসিনা হায়খিবদা, বোম পোকখাইহনখিবা অদু গভর্নমেন্টনা শিনবনি। মীয়ামদা অসিগুম্বা তমথিবা এটেক চথরিবসি য়াম্না শাথিবা হিংচাবা অমগী থৌওংনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

মশামক্তি অশোক অপন থোক্তুনা নাম্থোকহৌবা ওপোজিসন লুচিংবা অসিনা খোঙজং অসি হনবা লৈরোই হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-128

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 5 | 3 | 8 | |
| 2 | | 8 | | | | | | |
| | | 4 | 1 | | | 5 | | |
| | | | | 5 | 3 | | | |
| | | | 6 | | | | | |
| | | | | | | | 7 | |
| | 1 | | | 2 | | | 6 | 8 |
| 4 | | 7 | | | | 1 | | 9 |
| | 2 | | 4 | | 6 | | 3 | |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 9 | 7 | 1 | 6 | 4 | 5 | 8 |
| 1 | 6 | 4 | 3 | 5 | 8 | 7 | 9 | 2 |
| 7 | 8 | 5 | 2 | 4 | 9 | 6 | 3 | 1 |
| 4 | 9 | 6 | 1 | 8 | 2 | 5 | 7 | 3 |
| 8 | 7 | 1 | 5 | 6 | 3 | 9 | 2 | 4 |
| 5 | 3 | 2 | 9 | 7 | 4 | 8 | 1 | 6 |
| 2 | 4 | 7 | 8 | 9 | 1 | 3 | 6 | 5 |
| 9 | 1 | 8 | 6 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 6 | 5 | 3 | 4 | 2 | 7 | 1 | 8 | 9 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*